# ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




লম্বোইখোংনাংখোঙগী মণিপুর ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংনা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগা চিন্দা-পৌদানবা


থম্মোয় পাউদম : ইরমদগী মীরমদা - ৩০ ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ মতম চানা পাম্বীদা হার চাইবা

মলচিং অমদি ক্লাইমেট স্মার্ট রেজিলিএন্ট এগ্রীকলচর... ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ আই দি পিশিং অমদি মীয়াম্না সঙাই ...

'তহা তহানা এস আই আরগী থবক পায়খৎপনা... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ ইন্টরনেশনল পোলোঃ ইন্দিয়া (বি)না ইন্দিয়া (সী)...


লৌকোইপাৎকী অরিবা দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী নুপীমচাশিংনা মখোয়বু ময়ূমদা হঞ্জিলহন্দ্রিঙৈদা সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপা য়ানীংদে হায়দুনা চৎখিবা ৱাকৎ খোঙচৎ





Vol. 49, Issue No. 230 | নিংথৌকাবা, পোইনুগী মরিনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Monday, November 24, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# হন্দক্কী মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ফজদেহে : ফূদ ষ্টোলশিং খূৎলামখাং কৌদবা য়াওরে

## ফেষ্টিবেল লোইদ্রিবা ফাওবা মৈরাগী খোঙচৎ চৎপীয়ু, ৱাকৎ মীফম ফম্বীয়ু, নম্ফুগী থৌরাং মায়থীবগী অচৌবা খুদম মীয়াম্না উবা ফংলে : কোকোমি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্লা হান্নদগী হেন্না চাউনা পাঙথোক্কনি হায়না থৌরাং তৌরক্তুনা থা অসিগী ২১দা গভর্ণর এ কে ভল্লানা কুমসি চহীগী মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলবু মসিগী মেন ভেন্যু ওইরিবা হাপ্তা কাংজেবুংদা হৌদোক্তুনা ঙসি নুমিৎ হুম্নি চূপ্না চথরক্লবসু ফেষ্টিবেল অসিবু কোকোমিনা বোইকোট তৌখিবা, আই দি পিশিং অমসুং মীয়াম্না শৌগৎনরকখিবদগী মহৌশাগা মান্নদনা খুন্তাক লানশিরকপগী ফীভমদা অহোংবা উবা ফংদ্রি।

চৈরকসিদা, কোকোমিগী কন্ভিনর খুরাইজম অথৌবগী চেরোল অমনা হায়, মীয়ামগী অপূনবা খোল্লাওনা কুমসিগী সঙাই ফেষ্টিবেল য়ানীংদবগী খোঙজং মায় পাকপা হৌরক্লে। ঙসি (নবেম্বর ২৩, ২০২৫) ফাওবদা মীয়াম্না য়াদ্রবা, পামদ্রবা ফেষ্টিবেলগী হুম্নি চনবা নুমিৎ ফাওবদা মীয়ামগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

বিজয় লাইশ্রম, হেমচান্দ নিংথৌজম

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস) : মণিপুর মীয়ামগী খ্বাইদগী চাউবা লূপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কোকোমিনা বোইকোট তৌরকপগা লোয়ননা খোঙজং অসিবু তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানসু শৌগৎনরকপগা ইরোয়ননা চহী অনী মখায় হেন্না রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংনসু য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লিবা কুমসি চহীগী মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগী ঙসি হুম্নি চনবা নুমিৎ ফাওবদা মেন ভেন্যু ওইরিবা হাপ্তা কাংজেবুং য়াওনা ভেন্যু খরদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদদি হন্দক্কী ফেষ্টিবেল অসি 'ফজদেহে' হায়বা ৱাফম মীওই কয়ানা ফোঙদোক্করক্লি।

ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা ফেষ্টিবেল অসিগী মেন ভেন্যু ওইরিবা হাপ্তা কাংজেবুংদা পাউচে অসিনা চৎতুনা য়েংলুবদা মমাঙগী ফেষ্টিবেলশিংগা পুমওন ওন্নবা ফীভমদা অয়েংবা মী মশীং য়াম্না লাক্তবদগী ইতাক তাক্লা লৈরম্বা থেংনরকখি। অদুম ওইনমক মীওই খরা লৈরম্বদগী মখোয়সু ফেষ্টিবেল অসিগী মেন ভেন্যুদা য়েংবা লাকপা মীওইশিংলা হায়না য়েংলুবদদি মখোয় অয়াম্বনা ফেষ্টিবেল অসিবু খূৎশম্নরা শিল্লিবা লোয়শঙশিংগী আইদেন্টিটিকার্দয়ানবা, ফেষ্টিবেলগী ইনভিটেশন কার্দ পায়রগা লাকপা অমদি ঙাক শেনবগী থবক লৌখৎলম্বা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা অয়াম্বা ওইরমখি। মরক্তা নন-লোকল খরদি মেন ভেন্যুদা চঙদুনা য়েংনবগী টিকেট কক্তুনা চঙলম্বসু য়াওরমখি। অদুবু হাপ্তা কাংজেবুংদা লৈঙাক্না থৌরাং তৌবা লোয়শঙশিংগী য়াওরগা কমর্সিএল অমসুং ফূদ ষ্টোল পূম্না ৫২৬ রোমগী মনুংদা হৌদোকপা নুমিৎতা শুপ্নতগী লন্নাই ষ্টোল ৯৮ লোমদমক হাংদোকখ্রবসু ঙসি ফাওবদা ষ্টোলশিং অসি ফম্লল্লিবা মীওইশিং নীংবা কায়বগী ফীভমদা লৈরমখি।

পাউচে অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## ষ্টোল ফল্লিবশিং দিপোজিৎ হঞ্জিনবা ঙম্লরোইদ্রা হায়না পাখৎনরে ঙরাং হুম্নি চনবা নুমিৎতা মীওই ৪৫২ রোমদমক য়েংবা লাকখি



## উরু-উরু উংবী শান্নহন্নবা খুমন লম্পাক্তা শাগৎপা ফাওবা শিদোক্লরে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস): থা অসিগী ২১দগী হৌরকখিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগী মরু ওইবা ভেন্যু অমা ওইদুনা অহৌবা নুমিৎতগীনা থা অসিগী ২৯ ফাওবা মখল কয়াগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স মনুংদা মপানগী ফার্ম অমনা য়েংবা লাকপশিংদা 'উরু-উরু উংবী' শান্নহন্নবা য়াওনা শেমগৎলকখিবশিং মী লাক্তবদগী ঙরাংদগী শিদোকপা হৌরগা টাটা গাড়ী মপোৎ ৭/৮ লোমদা হোনবা হৌখ্রে হায়রি।

## গভর্ণরগা বিরেনগা চিকথনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস): ঙসি নুংথিল তাল্লক্তা রাজ ভবনদা গভর্ণর এ কে ভল্লাগা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিরেনগা ক্লোজ দোর মীটিং পাঙথোক্তুনা চিকথনখ্রে হায়রি।

পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা মখোয় অনীগী মীফম অদু পুম্খায় অমরোম চথখি হায়রি।

অদুম ওইনমক মীফম অদু করি-করম্বা মতাংগীদমক মী অতোপ্পা অমত্তা য়াওহন্দনা মখোয় অনী খক্তমক ৱারী শানখিবনো হায়বদি ওফিশল ওইনা খঙবা ঙমখিদ্রি। অদুবু থা অসিগী ২১দগী হৌরক্লিবা সঙাই ফেষ্টিবেলদা খুন্তাক-লানশিরকপগী মতাংদা পুথোক্তুনা খন্নরমগনি হায়না থাজনরি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## এন পি পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিট খায়বোক তাবগী ফীভমদা লৈরে

## পার্টিদগী তোকপগী ৱাফমদি লৈত্রি : ৱাই জয়কুমার

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস) : হৌজিক মপূন্সি লৈরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা এম এল এ ৭ কাখিবা নেশনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী মণিপুর ষ্টেট য়ুনিট খায়বোক তানা কায়বগী ফীভমদা লৈরে।




ফীভম অসি নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা এন পি পিনা ত্রিপুরাগী টিপ্রা মোথা পার্টিগী লুচিংবশিংগা মরু ওইবা থৌদাং লৌমিন্নদুনা অৱাং নোংপোক্কী ওইবা অপূনবা পোলিটিকেল এন্টিটি অমা শেম্নবগী ফিরেপ লৌরকপা অমসুং এন্টিটি অসিনা মরু ওইনা ত্রাইবেলশিং খক্তগী ওইরকপগী ফীভম লাকপদগী কায়রকপা য়াবগী চিংনবা লৈরকপনি হায়রি।

লোয়ননা মতম খরগী মমাঙদা এন পি পিদা য়াওরকখিবা আউটর মণিপুরগী এম পি ওইরম্বা ডা. লোরহো এস ফোজেবু ঙরাং পার্টি অসিগী ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকখিবা অসিসু এন্টিটি অসিগী মরু ওইবা এজেন্দাশিং অমসুং থবক থৌরমশিংদা কায়দনবা ওইগদ্রা হায়বগী ৱাহংসু থোরক্লি।

ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিগী মতাংদা ঙসি নাওরেমথোংদা লৈবা পার্টি অসিগী ষ্টেট য়ুনিটকী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা এন পি পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## সঙাই ফেষ্টিবেলগী মায়োক্তা নুমিদাংদা মৈরাগী খোঙচৎ চৎপা হৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ২১দগী মণিপুর লৈঙাক্না শিন্দুনা পাঙথোরক্লিবা ফেষ্টিবেল অসি মতাং চাদে, আই দি পিশিংবু মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহল্লবা মতুং অমসুং হায়ৰেশিংদা ফ্রী মুভমেন্ট তৌহল্লবা মতুংদা পাঙথোকপীয়ু হায়বদা লৈঙাক্না তাবগী মহুত্তা নম্ফুদা পাঙথোরকপদগী মীয়ামগী লূপশিং, মীয়াম অমসুং মরু ওইনা আই দি পিশিংনা বোইকোট তৌবগী খোঙজং চঙশিল্লকপগী মখা তারকপদা ঙসি ফেষ্টিবেল অসিগী হুম্নি চনবা নুমিৎকী নুমিদাংদগী হৌরদুনা মফম খরদা নুপীশিংনা মৈরাগী খোঙচৎ চৎতুনা য়ানীংদবা ফোঙদোকপা হৌখ্রে।

ঙসি নুমিদাংদগী হৌখিবা মৈরাগী খোঙচৎ অসি কোনুং মমাঙগী এরিয়া, লম্ফেলগী মফম খরা অমসুং মোইরাংগী ক্বাক্তানচিংবদা চৎখিবনি।

খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা আই দি পিশিংবু ...মখা লমায় ৩ কলম ৫





MINISTRY OF LABOUR & EMPLOYMENT
GOVERNMENT OF INDIA

অনৌবা চহীচা অমা
ফোর
জিআইজি অমসুং প্লেটফোর্ম ৱার্করশিং

''লৈবাক অসিনা মসিগী ৱার্কফোর্সকীদমক চাউথোকচৈ। শ্রামেভ জয়তে''
-প্রাইম মিনিষ্টর, নরেন্দ্র মোদি



লেবর কোদ মরি
চৎনহল্লে

মোদি গভর্ণমেন্টকী গরেন্টি
ফোর জিআইজি অমসুং প্লেটফোর্ম ৱার্করশিংগী

- জিআইজি এন্দ প্লেটফোর্ম ৱার্করশিং অমসুং এগ্রিগেটরশিংবু অহানবা ওইনা ফোর্মেলি দিফাইন তৌরে
- সোশল সিক্যুরিটি ফন্দগী প্রোভিজন : এগ্রিগেটরশিংনা এন্যুএল টর্ন ওভরগী ১-২% কন্ত্রিব্যুট তৌগদবনি, পীরিবা শেনফমদুগী চাদা ৫দা কোনশিনগদবনি নৎত্রগা জিআইজি অমসুং প্লেটফোর্ম ৱার্করশিংদা পীবা য়াই
- লাইফ অমসুং দিসএবিলিটিগী সোশল সিক্যুরিটি স্কিমশিংনা কোনশিল্লে, এক্সিদেন্টেল ইন্সুরেন্স, হেল্থ অমসুং মেটর্নিটি বেনিফিটশিং, ওল্ড এজ প্রোটেক্সননচিংবা
- আধার-লিঙ্ক তৌরবা য়ুনিভর্সেল একাউন্ট নম্বরনা হেন্না লায়থোকহল্লগনি অমসুং ষ্টেট পূম্নমক্তা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি

CBC 23101/13/0004/2526



লেবর রিফোর্মস ফোর আত্মানির্ভর ভারত


## অথিংবা থম্লবা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক কেজি লিশীং ৩ হেন্না পুরকপা নন লোকল ফারে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ : মতম খরগী মমাঙদগী মণিপুর লৈঙাক্না অথিংবা থম্লক্লিবা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিককী তোঙান তোঙানবা মখলগী কেজি লিশীং ৩ হেনবগী পোৎলমশিং মণিপুর পোল্যুশন কন্ট্রোল বোর্দ, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেশনন্না পুলিসকা খূৎশম্নদুনা ফাগৎলে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি নুমিদাং আই এম সী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা এম পি সী বিগী মেম্বর ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## নীংতম্বদি পীরক্কদবা নত্তে, নমদুনা লৌগদবনি : প্রিপাক

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ : পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী চীফ চার্জ দি এফেয়রস (পল্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা) লৈবাক ঙাকপা লুৱাংনা থোরকপা চেরোল অমদা 'নীংতম্বদি পীরক্কদবা নত্তে, নমদুনা লৌগদবনি' হায়না ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, বৃটিশনা বৃটিশ ইন্দিয়া অমা শেমদ্রিঙৈগী মমাঙদা ইন্দিয়া কৌবা লৈবাক অমা মালেমসিগী করম্বা মফমদা লৈরম্বগে? বৃটিশনা করিগুম্বা মতমদুগী ভারত্তা লাক্লমদ্রবদি ঙসিগী মালেম্না উরিবা অচৌবা ইন্দিয়া অসি লৈরমদবসু য়াই। ঙসি ঙসিমক ইন্দিয়নশিংনা তৎতনা হায়রিবা কুমজা ১৯৪৭তা বৃটিশকী পার্টিশননা তোখায়হনখ্রবা ইন্দিয়া হায়বসি কনানা শেম্বা নৎত্রগা করম্বা মতমদগী লৈরকপা ইন্দিয়ানো? ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরু অমসুং ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী মপানি হায়রিবা বি আর অম্বেদকরনা মতম অমদা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা পার্টিশননা কায়নহনখ্রবা ইন্দিয়নশিং পূনশিনবা পাম্মী হায়খিবদু মখোয়গী রাজসিএল ওইবা, লম করাম্বগী মশক অমসুং মচৎ অদু উৎথোকচবনি।

অহানবদা, ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পনিগী মিংদা লল্লোনবা লাকখিবা বৃটিশনা তোঙান তোঙানবা নিংথৌ পানবা লৈবাকশিংবু নমদুনা লৌশিল্লগা মখোয়গী লৈঙাক্তা খুদোংচানবগীদমক ইন্দিয়া কৌবা লমদম অমা শেমখি। তুংদা মরৈবাক্কী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবগীদমক বৃটিশকী মায়োক্তা লান্থেংনখিবা ভগৎ সিংহগুম্বা মরৈবাক নীংবা অথৌবা কয়াবু টেররিষ্ট হায়বা মিংথোল পীশিল্লগা থৌরী য়ান্দুনা হাৎখি। অদুবু ভগৎ সিংহবু ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কোইরেংনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী ৬১শুবা মপোক কুমওনদা সেন্ত্রেল কম্মিটিগী চহীগী ৱারোল

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ : কোইরেংনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) : মণিপুরগী সেন্ত্রেল কম্মিটিগী সেক্রেটরি (পল্লিসিটি) এম শকহেনগী মায়কৈদগী লালহৌলূপ অসিগী ৬১শুবা মপোক কুমওন নুমিৎকী মাঙওইননা সেন্ত্রেল কম্মিটিগী চহীগী ৱারোল মীয়ামদা ফোঙদোরক্লি।

'ইকায়খুম্নজরবা ইরৈচাশিং' হায়না শৈহৌবা চেরোল অসিনা হায়, নিংথৌকাবা নুমিৎ-নবেম্বর ২৪, ২০২৫ শেংলবা নুমিৎ অসি মণিপুর মীয়াম্না পামজবা পূন্সিরোল অমা নীংখা তম্না লেপচবা ঙম্নবা লৈবাক অসিদা খুন্দামিন্নরিবা চীংমী-তম্মী মীয়ামগী মীহুৎশিংনা ৱাখল চুংশিন্নদুনা শেমখিবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) কী ৬১শুবা মপোক কুমওন নুমিৎনি। নুমিৎ অসিদা য়ু এন এল এফকী সেন্ত্রেল কম্মিটিনা পার্টি অমসুং লান্মী শঙলূপকী মহুৎ শিঞ্জদুনা ইরৈচা পূম্নমক্কী মফমদা, থোইদোক্লা ইন্দিয়াগী লোইলম লৈঙাক অমসুং মখোয়না শৌগৎতুনা থম্বা মপান্দগী চঙলকপা কুকি খূৎলায় পায়বশিংগা লৌতুনরগা লমদম অসিগী য়েলহৌ ফূরুপশিংদা মরু ওইনা মৈতৈ ফূরুপ্তা লান্দারক্তুনা ইশাগী ইরমদা লাঞ্জেন্নরিবা ইরোল-ঈরাং তাক্লবা ইফূরুপচাশিংগী অৱাবদা শরুক য়াজবগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল পীজরি। লোয়ননা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পুথোকচবা য়ু এন এল এফ সেন্ত্রেল কম্মিটিগী চহীগী ৱারোল অসি ইরৈচাশিংনা খন্নবীনবা থমজরি হায়রি।

ৱাহৌদোক : ইন্দিয়াগী লোইলম লৈঙাক্তগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী ৬১শুবা মপোক কুমওনদা সেন্ত্রেল কম্মিটিগী চহীগী ৱারোল

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ : পাম্বৈনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) : মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ পল্লিসিটি এন্দ এদ্যুকেশনগী সেক্রেটরি চরাইরোংবা থোকচোমনা থোরকপা চেরোল অমদা লালহৌলূপ অসিগী ৬১শুবা মপোক কুমওন নুমিৎকা মরী লৈননা সেন্ত্রেল কম্মিটিগী চহীগী ৱারোল ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নবেম্বর ২৪, ২০২৫ নিংথৌকাবা নুমিৎ য়ু এন এল এফকী ৬১শুবা মপোক কুমওন নুমিৎসিদা য়ু এন এল এফ সেন্ত্রেল কম্মিটিনা পার্টি অমসুং লান্মী শঙলূপকী মহুৎ শিঞ্জদুনা নীংতম লালহৌগীদমক অৱা চৈথেং কয়া খাঙমিন্নরক্লবা ইরৈচা খুদিংমক্কী মফমদা ইকায়খুম্নবা পীজরি অমসুং য়াওল লালহৌগী য়াইফ পাউজেল পীজরি। থোইদোক্লা, ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা পার্টি অসিবু লীংখৎপীরমখিবা নুংশিখিবা লুচিংবশিং, পার্টি কেদরশিং, লান্মীশিং অমসুং লালহৌ অসিগীদমক থৱায় কৎখ্রবা মীচম মীয়াম খুদিংমক্কী মফমদা য়ু এন এল এফনা কোক নোন্না য়াওলগী ইকায়খুম্নবা পীজরি। লোয়ননা য়ু এন এল এফকী সেন্ত্রেল কম্মিটিগী চহীগী ৱারোল মীয়ামদা থমজরি হায়রি।

য়াওল লালহৌগী ফীভম : য়াওল ঈহৌ অমদা অকা-অকুম লৈগনি হায়বসি পার্টিনা পাঙ্গল শোন্থরকপা মতম, হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদা মীয়ামদা থমজখিবা ৱাফমনি। মণিপুরগী নীংতম্বা হঞ্জিনবগী লাঞ্জং অসিদা কুমজা ১৯৯০ অদুৱাইদগী হৌরগা দিকেদ অনীমখায়মুক্তি য়াওল্লুপশিং অসি মপাঙ্গল য়াম্না কনবা মতম ওইখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১-৯৭৭৪৮০৩১৪৫